# যু এস এনা জপানদা চৎপগী অথিংবা থম্লক্লবসু ওর্গনাইজরশিংনা এদভাইজরি অদুনা ওলিম্পিক্সতা অকায়বা লৈরোই হায়খ্রে

টোকিও, মে ২৫ (এজেন্সী):

যু এস এ লৈঙাক্লা লৈবাক অদুগী সিটিজনশিংবু টোকিও ওলিম্পিক্সকী যূম্বু ওইগদৌরিবা জপানদা চৎতনবা অথিংবা থম্লবসু পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগীদি এদভাইজরি অদুনা ওলিম্পিক্স অদুদা অকায়বা লৈহল্লোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক গেমস হৌগদবা থা ২ ফাজিল্লক্ত্রবা অসিদা যু এস লৈঙাক্লা লৈবাক অদুগী মীওইশিং হৌজিক-হৌজিক জপানদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী মরিশুবা ৱেভ অদু য়েংলুরগা চৎতনবা এদভাইজরি পীরকপনি। মরক অসিদা যু এস ওলিম্পিক অমদি পেরালিম্পিক কম্মিটিনদি লৈবাক অদুগী এথলিটশিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়াওবা য়াগনি হায়বগী থাজবা থম্লক্লি।

নাকল অমরোমদা, জপান লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় কাটসুনোবো কাটোনা ফোঙদোরকখিবদা, যু এসনা ঙরাং থোকখিবা এদভাইজরি অদুনা ওলিম্পিক্সতা অকায়বা লৈরোইহায়না ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তারদুনা যু এস এনা টোকিওনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্স অমদি পেরালিম্পিক্স অদুদা পীরিবা মতেং অসি হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী অহোংবা লৈরোই হায়বগী থাজবা থম্লক্লি।



নীংশিংবা য়াবদি, জপানদা লৈরিবা মীশীং মিলিয়ন ১২৫গী মনুংদা শুপ্পগী চাদা ২ খক কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পা ঙম্লি। লোয়ননা চহী ৬৫গী মথক্তা লৈবা লৈবাক অদুগী মীওই পূম্নমক ওলিম্পিক গেমস হৌরক্লবা মতুং জুলাই থাগী মনুংদা মশীং শুনা কাপথোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থম্লক্লি।

যু এস লৈঙাক্লা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না জপান চৎপদা অথিংবা থম্লক্লিবা অসি লৈঙাক্কী হেল্থ এদভাইসকী মতুংইন্না অমদি অতোপ্পা হীরম খরদা যূম্ফম ওইরগা কোভিদ-১৯গী ওইবা জপাননা মায়োক্লরিবা লাম্থেংং অদুদা শরুক য়াদনবা ফোঙদোরকপনি।

যু এস এগী ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোয় অমনা ৱাশিংটনদা ফোঙদোরকখিবদা, জপান লৈঙাক অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা হৌখিবা চহীদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি জুলাইগী ২৩দগী হৌননবা অকনবা মওংদা শেম শারকপনি। লোয়ননা যু এসকী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা যু এস এগী এথলিট পূম্নমক ওলিম্পিককী স্পিরিটতা থৌনা লৈনা শরুক য়াননবা শেম শারিবা অদুদা সপোর্ট তৌদুনা লাক্লি হায়রি।

জপান অমদি ওলিম্পিক ওফিসলশিংনা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্লনবা শেম শারিবা খোঙজং অসিদা অহোংবা লৈরোই হায়না ফোঙদোরক্লি। ৱাফম অসি জপানগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না লৈবাক অদুদা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী মরিশুবা ৱেভকী চৈথেং অদুগী মনুংদা ওলিম্পিক গেমস অসি কেন্সেল তৌবা নৎত্রগনা মতম য়ৈথোকপগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা লাকখিবনি।

জপানদা 'ষ্টোপ টেকিও ওলিম্পিক্স' কেম্পেন অমগী মতুংইন্না মীওই ৩,৮৭,০০০গী খূৎয়েকশিং অদু ওনলাইনদা খোমগৎপা লোইরে হায়না কেম্পেন অদুগী ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকপা লৈরি।

যু এস এগী সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী অনৌবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না জপানদা চৎকদবা পূম্নমক তোকউ হায়না ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু জপানগী চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি কাটসুনোবো কাটোনা মখা তারকখিবদা, জপাননা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিদা মমাংদগী যু এস এনা মতেং পাংদুনা লাকখিবা থৌওং অদুদা অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি, ওষ্ট্রেলিয়ানসু জপানদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অদুগী ফীভম য়েংলগা লৈবাক অদুদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা অমত্তা চঙদনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। জপানগী দিফেন্স মিনিষ্টর নোবুকিশিনা পার্লিয়ামেন্টরি পেনেল অমদা ফোঙদোকখিবদা, ওর্গনাইজরশিংনা হায়জরকপদগী মিলিটরি মেদিকেল পর্সনেলশিং গেমস অদুদা মতেং পাংননবা শিল্লগনি হায়রি।

# মহমদ হুসামুদ্দিন অমসুং শিব থাপা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

দুবাই, মে ২৫ (এজেন্সী):

এসিয়াগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা বোক্সিং টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর অনী মহমদ হুসামুদ্দিন অমসুং শিব থাপা মখোয়-মখোয়গী ৱেথ কেটগোরিশিংদা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা কিলোগ্রাম ৫৬কী অহানবা রাউন্দগী বাউটতা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর মহমদ হুসামুদ্দিননা মহাক্কী লম্বা কজাখষ্টানগী বোক্সর মকমুদ সবির খানবু য়াম্না হেনবা মওংদা স্কোর ৫-০দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহমদ হুসামুদ্দিননা মহাক্কী বাউট অদুদা জজ মঙানা পীবা স্কোরশিং অদু মহাক্কী ফেভরদা লোইনা লৈখ্রবসু কজাখষ্টানগী বোক্সর সবির খানগী মায়কৈদগীসু অকনবা প্রেসর পীদুনা লম্বা মান্নখিবনি। অদুবু পোইন্ট স্কোর তৌবা হেনখিবা ইন্দিয়াগী হুসামুদ্দিননা মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা য়াম্না অরুবা বাউট অমা লম্বা তৌনগদৌরি।

মহমদ হুসামুদ্দিননা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা বোক্সর অদু হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্দ





অমদি এসিয়ন গেমসকী চেম্পিয়ন ওইরিবা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর মিরাজিসবেক মিরজাহালিলোবনি। উজবেকিষ্টানগী বোক্সর অসি এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী হৌখিবা চহীগী চেম্পিয়নসু ওইরিবনি। অদুগা নম্বর ৱান সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপনি।

অতোপ্পা নুপাগী কিলোগ্রাম ৬৪গী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী শিব থাপানা মহাক্কী ওইবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ফজবা রেকোর্দ অদু থম্নবা হোৎনরকপদা অহানবা রাউন্দ অদুদা কিরগিষ্টানগী বোক্সর টিমিট্রি পুচিনবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

থাপানা পুচিনগা লম্বা তৌনখিবা অহানবা বাউট অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী হৌরকপদা মায়োক্লবা বোক্সর অদুগী মশান্না অদু য়েংথোকখিবগা লোয়ননা মখা তারকপদা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মমাংদসু টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা শিব থাপানা কিরগিষ্টানগী বোক্সর পুচিনগী দিফেন্দ অদুবু নমখায়দুনা রাউন্দ অহুম্মক্তা পোইন্ট হেন্না লৌবা ঙমখিবদগী জজ মঙাগী মায়কৈদগী থাপাগী ফেভরদা স্কোর লোইনা হেনবদগী মহাকসু বাউট অদু ৫-০দা মায় পাকখি।

এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি অথেংবদা ওলিমিপক্স-কীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবী নুপীগী বোক্সর শিমরঞ্জিৎ কোর (কেজি ৬০), সাক্সি (কেজি ৫৪) অমসুং জস্মিন (কেজি ৫৭) অমদি নুপাগী বোক্সর সঞ্জিৎ (কেজি ৯১)না মখোয়-মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিং অদু শান্নদুনা সেমীফাইনেলগী লম্বেল শেমগদৌরি।

# ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন ফ্রেঞ্চ ওপন ক্বালিফায়িংগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, প্রজনিশ গুনেশ্বরন মায়থীহৌরে

পেরিস, মে ২৫ (এজেন্সী):

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী ক্বালিফায়িংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রামকুমার রামানাথন অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় প্রজনিশ গুনেশ্বরন অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

রামকুমার রামানাথননা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা যু এস এগী শান্নরোয় মাইকেল মোগা লম্বা তৌনখি। অহানবা রাউন্দ অদুদা যু এস এগী শান্নরোয় মাইকেল মোনা রামানাথনগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রামানাথননা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরক্তুনা যু এস এগী শান্নরোয় মাইকেল মোবু



বোল খূদিংগী লম্বা পীরকখি। মদুনা মরম ওইরগা শান্নরোয় অনীমক অনীশুবা সেট অদুগী গেম ১২ লোইশিল্লকপা ফাওবদা গেম ৬-৬ থোইনদুনা টাই ব্রেক শান্নখি। টাই ব্রেক অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রামকুমার রামানাথনগী মায়কৈদগী সর্ভিস ফজবা হেনখিবদগী পোইন্ট ৭-৪দা থোইদুনা অনীশুবা সেট অদু মহাক্না লৌবদগী দিসাইদিং সেট শান্নবা তাখি। দিসাইদিং সেট অদুদা মাইকেল মোগী অশোয়বা মফম খরগী খূদোংচাবা লৌদুনা রামকুমার রামানাথননা যু এস এগী শান্নরোয় অদুগী সর্ভিস গেম অমা য়াম্না মতাং চানা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা সেট অদু থোইরগা অনীশুবা রাউন্দদা উজবেকিষ্টানগী শান্নরোয় দেনিশ ইষ্টোমিনগা অনীশুবা রাউন্দ শান্নগদৌরি। করিগুম্বা রামকুমার অনীশুবা রাউন্দ অদুসু মায় পাক্লবা অদুগা অহুমশুবা রাউন্দ থোইবা ঙম্লবদি ফ্রেঞ্চ ওপনগী মেন রাউন্দদা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ক্বালিফায়িং রাউন্দ অদুদা ৩২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা প্রজনিশ গুনেশ্বরন জর্মনিগী শান্নরোয় ওস্কার ওটেগী মখূৎতা য়াম্না শোত্থনা ষ্ট্রেট সেটতা ২-৬, ২-৬তা মায়থীবা নংহৌখি। ঙসি অথেংবদা ইন্দিয়াগী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান শান্নরোয় সুমিট নগালনা মহাক্কী অহানবা ক্বালিফায়িং রাউন্দগী মেটচ অদু শান্নগনি। পনবা য়াই, নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা ঙরাং অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা ২শুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী গ্রিট মিনেনগা শান্নগদৌরি।

# এফ টি এক্স ক্রিপ্টো কপ ওনলাইন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী ১০শুবা রাউন্দদা অনিশ গিরি অমসুং মেগনস কার্লসন মায়থীখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ২৫ (এজেন্সী):

এফ টি এক্স ক্রিপ্টো কপ ওনলাইন রেপিদ চেছ টুর্নামেন্টকী ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা শান্নখিবা ১০শুবা রাউন্দদা মকোক থোংলম্বা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরি অমসুং নম্বর ৱান সিদেদ অমদি ৱর্ল্দ নম্বর ৱান ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসন মায়থীবা নংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল তেনশিল্লক্লি।

১০শুবা রাউন্দ অদুদা হান্না ওনলাইন টুর্নামেন্ট অদুগী মকোক থোংদুনা লৈরম্বা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরি যু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনাগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি। অমরোমদা, ৱর্ল্দ নম্বর ৱান ওইরিবা নোরৱেগী মেগনস কার্লসন অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়নগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। ১০শুবা রাউন্দ অদু লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৬.৫ ফংমিন্নদুনা যু এস এগী





ফাবিয়ানো করোনা, যু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় হিকারু নাকামুরা অমসুং অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর তৈমুর রাজাবোব পূন্না লৈমিন্নরি।

পোইন্ট ৬.৫গী হেক মথং তারকপদা পোইন্ট ৬ ফংদুনা ঙরাং মায়থীখিবা নেদরলেন্দসকী অনিশ গিরি অমসুং ৱেস্লি শো লৈরি। অদুগা পোইন্ট ৫.৫দা মেগনস কার্লসন, রসিয়াগী পিটর স্বিদলর, ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেব অমসুং চাইনাগী দিং লিরেন লৈরি।

ঙরাংগী ১০শুবা রাউন্দ অদুদা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর তৈমুর রাজাবোবনা অর্জেন্টিনাগী গ্রান্দমাষ্টর অলান পিচোটবু মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, পোইন্ট ৬.৫ ফংদুনা মাঙজিল থারিবা যু এস এগী হিকারু নাকামুরানা রসিয়াগী শান্নরোয় দানিল দুবোবকা দ্রো চৎখি। পোইন্ট ৬তা লৈরিবা যু এস এগী ৱেস্লি শোনা রসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় ইয়ান নেপোময়াটচিগা দ্রো চৎখি।

অজরবৈজানগী সাখ্রিয়াল মামেদ্যারোবনা ফ্রান্সকী শান্নরোয় মেক্সিম রাগ্রেবপু মায়থীবা পীখিবনি। করিগুম্বা মেক্সিম লাগ্রেবনা গেম অদু মায় পাকপা তারল্লবদি মহাক পোইন্ট ৬.৫ ফংলগা ফাবিয়ানো করোনা, তৈমুর রাদজাবোব অমসুং হিকারু নাকামুরাগা পূন্না লৈমিন্নরমগদবনি। অমরোমদা, ৱর্ল্দ নম্বর ৱান নোরৱেগী মেগনস কার্লসনবু মায়থীবা পীরম্বা অর্মেনিয়াগী লেবোন অরোনিয়ন রসিয়াগী নেপোময়াটচিগা পোইন্ট ৪.৫/৪.৫দা লৈমিন্নরি। চাইনাগী দিং লিরেননা রসিয়াগী পিটর স্বিদলরগা দ্রো চৎখিবনি। অদুগা ইরানদগী হৌখিবা শান্নরোয় অলিরিজা ফিরোজা ১০শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী গ্রিচুককী মখূৎতা মায়থীখি।

# বি সী সী আইনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ চহী অসিগী সেপ্টেম্বর লোইশিল্লকপদা মখা তানবা শিল্লি

মুম্বাই, মে ২৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা হন্দক্তা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ৪দা পাঙথোক্লম্বা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট লোইশিনবা য়াখিদবা অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা যূম্বু ওইহল্লগা সেপ্টেম্বরগী অরোইবা অমদি ওক্টোবর হৌরকপদা পাঙথোক্লনবা শেম শারি।

বি সী সী আইগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী ফ্রেঞ্চাইস (টিম)শিংদা শরুক য়ারম্বা মপান লমগী শান্নরোয়শিং অদু লাক্তুনা শান্নবা য়াগদ্রা হায়বগী অয়াবা অদু ঙাইদুনা লৈরি হায়না থাজবা য়াবা পাউ অমগী মতুংইন্না ফোঙদোরক্লি। বি সী সী আইগী মায়কৈদগী য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী দুবাই, অবু ধাবী অমসুং সর্জাগী ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অহুমদা সেপ্টেম্বর ১৮দগী ওক্টোবর ১০ ফাওবগী মনুংদা লেমহৌরিবা আইপিএলগী মেটচশিং অদু শান্ননবা শেম শারি।

বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মপান লমগী শান্নরোয়শিংনা যু এ ঈদা পাঙথোকপা মতমদা মখোয়গী মায়কৈদগী মপূং ফানা শরুক য়াবা লাক্কনি নৎত্রগা লাক্লোই হায়বগী অয়াবা অদু ঙাইদুনা লৈরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, যু এ ঈগী হায়রিবা সিটি অহুম অসিদা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী মমাংগী সিজনগী লোইশিলহৌদবা মেটচশিং অদুসু হন্দক চহীগী অঙনবা শরুক্তা অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা লোইশিনখিবনি।

বি সী সী আইনা হৌজিক-হৌজিক শেমগৎলিবা আই পি এলগী লেমহৌবা টুর্নামেন্টশিং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা নোংমদা মেটচ ২/২ শান্নরগা চয়োল ৩গী মনুংদা লোইশিনবগী পান্দম থল্লি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি ওষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ অমসুং ন্যু জিলেন্দগী আই পি এলদা শরুক য়ারম্বা শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী অমদি মখোয়-মখোয়গী ক্রিকেট বোর্দতগী আই পি এলগী মখা তাবা মেটচশিং অদুদা শরুক য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী অরোইবা ৱারেপ অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। অমরোমদা, আই পি এলদা শরুক য়ারম্বা ৱেষ্ট ইন্দিজকী শান্নরোয়শিং অদুসু মখোয়গী মরমদা শান্নবা কেরিবিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা এনগেজ তৌখিবনা খঙবা ঙমদ্রি।

# ইংলেন্দনা য়ুরোগীদমক প্রোভিজনেল ওইনা শান্নরোয় ৩৩ লাউথোকখ্রে

লন্দন, মে ২৫ (এজেন্সী):

মথং থাদগী কুমজা ২০২০দা পাঙথোকপা ঙমখিদবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকীদমক্তা ইংলেন্দগী কোচ জেরেথ সাউথগেটনা লৈবাক অদুগী টিম শেম্লনবা শান্নরোয় ৩৩গী প্রোভিজনেল ওইবা মমিংশিং লাউথোকখ্রে।

কোচ জেরেথ সাউথগেটনা মহাক্না লাউথোকখিবা শান্নরোয় ৩৩গী প্রোভিজনেল লিষ্ট অদু জুন থাগী ১ ফাওবগী মনুংদা অরোইবা ওইনা শান্নরোয় ২৬তা কক্থরক্কদৌরিবনি। প্রোভিজনেল ওইনা লাউথোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপ্পরদা দোন হেন্দরসন (মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ), জোর্দান পিকফোর্ট (এবর্টন), সাম জোনষ্টোন (ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ) অমসুং অরোন রামসদেল (শেফিল্ড য়ুনাইটেদ) দিফেন্দরদা অলেকজেন্দর অর্নোল্ড (লিভরপুল), বেন চিনৱেল অমসুং রিচ জেমস (চেলসি), কোনোর কোদি (ৱোল্ফস), বেন হ্বাইট (ব্রাইটন), বেন গোদফ্রি (এবর্টন), কৈরান ট্রিপিয়র (এটলেটিকো মাদ্রিদ), টাইরোন মিংস (এষ্টনভিল্লা), মেঞ্চেষ্টর সিটিদগী জোন ষ্টোন অমসুং কাইল ৱাকর অমদি মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী হেরি মেগৱায়র অমসুং লুক সোনি। মিদফিল্ডদা জেসি লিনগার্দ (মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ), মেসন মাউন্ট (চেলসি), জুদ বেলিংঘম (বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ), জেমস প্রাউজ (সাউথমটন), জের্দান হেন্দরস (লিভরপুল), দেক্লান রাইস (ৱেষ্টহেম) অমসুং কেলভিন ফিলিপ (লিদস য়ুনাইটেদ)নি। ফোৱার্দতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতগী গ্রিনৱুদ অমসুং রাসফোর্ট, মেঞ্চেষ্টর সিটিদগী রহিম ষ্টর্লিং অমসুং ফিল্ড ফোদেন, সাঞ্চো (দোর্টমুন্দ), হেরি কেন (টোটেনহাম), এষ্টনভিল্লাদগী গ্রিলিজ অমসুং ৱেটকিন্স লোয়ননা অর্সনেলদগী সাকা অমসুং এবর্টনদগী লেৱিন্সনি।

# ষ্ট্রাসবোর্গ ইন্টরনেসনল টেন্নিসতা কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিসকু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

ষ্ট্রাসবোর্গ, মে ২৫ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী সিটি ষ্ট্রাসবোর্গতা লৈবা টেন্নিস ক্লবতা থা অসিগী ২৩দগী হৌখিবা ষ্ট্রাসবোর্গ ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা কানাদাগী শান্নরোয় বিয়ানকা এন্দ্রিসকু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

দব্লিয়ু টি এগী মনুং চনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অসিদা পূন্না শেলগী মনা ওইনা যু এস দোল্লর ২৩৫,২৩৮গী শেলগী মনা লৈরি। টুর্নামেন্ট অসি ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী ওইবা শেম শাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবনি।

কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিসকু টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখি। মহাক্না অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী শান্নরোয় লাজারো গার্সিয়াবু ইকোম কোম্না ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী শান্নরোয় মেরিনা জানেস্কাগা লম্বা



তৌনরগনি। জানেস্কানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা বেলারুসকী শান্নরোয় যুলিয়া হাটোকাগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-১দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকখিবী মমাংদা ৱর্ল্দ নম্বর ৱান ফাওবা য়ৌরম্লবী যু এস এগী ভেনস ৱিলিয়মস অহানবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী শান্নরোয় সোরানা কর্ষ্টিগী মখূৎতা ১-৬, ৬-২, ১-৬তা মায়থীবা নংখি। কর্ষ্টিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী এম দোইবু ৭-৫, ৬-৪দা থোইরম্বী চাইনাগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবী স্বাই ঝাংগা লম্বা তৌনরগনি। ৪শুবা সিদেদ কজাখষ্টানগী ৱাই পুটিনসেবানা নোরৱেগী আর পিটরসনবু থোইরগা ২শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

EMPLOYMENT NEWS


(Bricks Mistry + Jugali Needed)

Samurou Bazar, Imphal West কা নকনা লৈবা মীওইগী ওইনা Workshop Asst. (XII Passed) 2, Car Wash + Workshop Helper 2/2, 2 Wheeler Mechanic 2, Bricks Mistry 2, Jugali 4, Car Driver 2 অথুবা মতমদা পামজৈ।

Sd/- : M.M. Singh
Contact No. : 8787556934

HL-B/6970/16/5-13/7(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 120

**Roeder, Gerd - Staller, Peter (2355)**
**Bundesliga 8283 Germany, 1983**

1.e4 e5 2.Nc3 Nf6 3.f4 d5 4.fxe5 Nxe4
5.Nf3 Be7 6.Qe2 Nxc3 7.dxc3 O-O 8.Bf4 c5
9.O-O-O Qa5 10.a3 Be6 11.h4 Nc6 12.Ng5 c4
13.Kb1 Qb6 14.Ka2 Rad8 15.Nxe6 fxe6 16.Be3 Qc7
17.Bd4 Nxd4 18.cxd4 c3 19.Rh3 cxb2 20.Kxb2 Rc8
21.Qd2 a6 22.h5 Qc6 23.Rb3 Qa4 24.g3 Rc6
25.Bh3 Rfc8 26.c3 Rf8 27.Rf1...

**QUESTION :**
**Black to Win**

**Puzzle 119 Ans. :**

**26.** ...Qb2 **27.**Re8+ Nxe8 **28.**Qxe8+ Kh7 **29.**Qh8+ Kg6 **30.**Ne5+ Kf5 **31.**Qf8+ Kg5 **32.**Qxg7+
**32.**Qf4+ Kh5 **33.**Qg4#
**33.**Qh4#Lolli's mate
**32.** ...Kh5 **33.**Qg4#
**33.**Qg6#
**27.**Re8+ Nxe8 **28.**Qxe8+ Kh7 **29.**Qh8+ Kg6 **30.**Ne5+ Kf6 **31.**Qf8+

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com